HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



নালসাগী পান ইন্দিয়া এৱেয়ার্নেস অমসুং আউটরিচ কেম্পেনগী মনুং চন্না চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবশিংদা সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা মনা য়েন্থোকখিবা

হকচাংগী টোক্সিনশিং খোঙদগী লৌথোকপা মসিবু তশেংনা লৌথোকপরা? ...
☛ লামায় ২

য়ূম থুগাইবীরম্রে হায়দুনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি
☛ লামায় ৩

লাইশোম বোনিনা থম্বাল কেম্পেন হৌদোকখ্রে
☛ লামায় ৫

ফৌবৈ মৈ থারম্বগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোকক্লক্লি
☛ লামায় ৬

য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর রামেশ্বর টেলিনা হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অন-ওর্গনাইজ ৱার্করশিংদা ঈ-শ্রমগী রেজিষ্ট্রেসন কার্দশিং য়েন্থোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 228 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 13, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50




## মীওই ৩ বেল পীখ্রে


ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা শিংজমৈ অমসুং ইম্ফাল পি এসনা পুথোরকখিবা মীওই অমা অমসুং মীওই অনী পূন্না অহুম মখোয়গী মায়কৈদগী পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র ওবজেক্সন তৌরক্তুনা বেল পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা বেল পীখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## কোংবগী সব ষ্টেসন মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২.১০ রোম তারকপদা কোংবগী ষ্টেন্দর্দ কোলেজ মনাক্তা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটিগী পৱর সব ষ্টেসন মনুংদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখ্রে। মসিনা মরম ওইরদুনা সব ষ্টেসন অসিদগী পৱার সপ্লাই তৌবদা শীজিন্নবা মেছিন য়াওনা পোৎলম খরা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। অদুম ওইনমক ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা মতম চানা লাক্তুনা কলহৌবদগী মখা তানা অমাঙ অতা থোকখিদ্রে অমসুং মীওই অমত্তা অশোক অপন নংহৌদ্রে হায়রি।

## 'লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়' পুথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২: কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) না থা ৬ খুদিংগী পুথোকপা নীংতম চেফোঙ 'লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়' পুথোকখ্রে হায়না লালহৌলূপ অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৭৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৯৪°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.০৭
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৮

### HL Poll

Q: Athuba matamda Covid Vaccinegi dose animak kappa yaraba meeoising suna kaphoubana achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q: Yumhong toiraga laira tanbagi thoudou chongthok chongsin touriba political leadersinggi mafamdadi thorakloi haiba langadra?

Yes 44% No 56%

### অস! লোইরেহে!

- মীয়াম অসি টেক্স ৱাংমনবসিদা ৱানরবজাৎনি, হা হা হা।

- ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯑꯁꯤ ꯇꯦꯛꯁ ꯋꯥꯡꯃꯟꯕꯁꯤꯗꯥ ꯋꯥꯟꯔꯕꯖꯥꯠꯅꯤ, ꯍꯥ ꯍꯥ ꯍꯥ॥



- হা হা হা, সার ঐখোয়দনি টেক্স হেনগৎপদা ৱাদবা।

- ꯍꯥ ꯍꯥ ꯍꯥ, ꯁꯥꯔ ꯑꯩꯈꯣꯌꯗꯅꯤ ꯇꯦꯛꯁ ꯍꯦꯟꯒꯠꯄꯗꯥ ꯋꯥꯗꯕꯥ॥

## ক্রিমিনেল কেস চেন্নবা সিটিং ১সুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী কেস

# এন আই এ, সী বি আই য়াওনা ওথোরিটিশিংদা অনৌবা রিপোর্টশিং ফাইল তৌরক্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূন্নমক্তা লৈরিবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী কেসশিং অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক লোইশিনবগা লোয়ননা ট্রাইএল কোর্টতা ৱায়েল চথুহনগদবনি হায়দুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমগী ৱায়েলদগী পীরকখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু ষ্টেট অসিগী ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমারনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) অমসুং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) য়াওনা ওথোরিটি পূন্নমক্না অনৌবা রিপোর্টশিং মথং থাগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌরক্নবা খঙহনখ্রে।


সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী নম্বর ৬৯৯ ওফ ২০১৬নি। পিটিসন অদু মশামকসু লো প্রাক্টিস্নর অমা ওইরিবা অশ্বিনিকুমার উপধ্যায়না লুচিংবা পিটিস্নরশিংনা ফাইল তৌরকখিবনি। সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনি।

পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবসু কেসশিং অদুগী ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক্তা মরম চাদনা থিন্থহনবা অমসুং ক্রিমিনেল ট্রাইএল কোর্টতা ৱায়েল চথবগী থবকসু থিন্থরে হায়রদুনা ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী কেসশিং অথুবা মতমদা ৱায়েল চথদুনা অরোইবা দিস্পোজেল পুরক্কদবনি হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি।

এপেক্স কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলদুনা হৌজিক ফাওবদা চথরক্লিবা মসিগী ৱায়েলগী থেঙ্খাং নাইনা পীরকখিবা ওর্দরশিংদগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগুম্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু শুও মোটুদা ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা মণিপুরগী সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী কেসশিংগী মতাংদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০ লৌখৎখিবনি।

লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ইনিসিএটিভতগী লৌখৎখিবা কেস অসিগীসু চথরকখিবা ৱায়েলশিংনা পীরকখিবা দিরেক্সনশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২






## অথুবা মতমদা মণিপুর গ্যাস পাইপ লাইনশিংগা শম্নরগনি : সী এম



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী গ্যাস সপ্লাইদা অপনবা অমসুং অয়েৎপশিং লৈহন্দনবগীদমক অথুবা মতমদা সিলচর-ইম্ফাল অমসুং কোহিমা-ইম্ফালগী মরক্তা গ্যাসকী পাইপ লাইনশিংনা ষ্টেট অসিবুসু শম্নহল্লগনি হায়না ঙসি ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখিবা ঈ-শ্রম কার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, অনৌবা থৌরাং অসিগী মথক্তা এল পি জি রিফিলিং বোট্টলিং প্লান্ট অমসু অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু নুংশিবীবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী অন-ওর্গনাইজদ ৱার্কর লাখ ৮ লোম রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী পান্দম থম্বগী মনুংদা শুপ্নতগী লন্নাই মীওই লিশীং ৫৮ খক্তমক ঈ-শ্রমগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরে হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খি।

ঈ-শ্রম স্কিম অসিনা কন্সট্রক্সন ৱার্কর, মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি দোমেষ্টিক ৱার্করশিং য়াওনা ষ্ট্রিট ভেন্দর, ট্রক দ্রাইভর, ঙামী, এগ্রিকলচরেল ৱার্কর অমসুং আশা ৱার্করনচিংবা অন-ওর্গনাইজদ ৱার্করশিং অয়াম্বনা কোনশিল্লে হায়খি।

স্কিম অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা অন-ওর্গনাইজদ ৱার্কর পূন্নমক্না প্রধান মন্ত্রি সুরক্সা বিমা যোজনা (পি এম এস বি ৱাই) গী মখাদা এক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্স কভরেজগী খুদোংচাবা ফংগনি। স্কিম অসিগী মখাদা এক্সিদেন্টতা শিবা অমসুং মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা দিসএবল্ড ওইহল্লবশিংদনা লুপা লাখ ২/২ পীবগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## থৌবালদা সেকেন্দ দোজ কাপ্তবা মীওই লিশীং ৬০গী মথক্তা লৈরি : দি সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজদি কাপখ্রবা অদুগা সেকেন্দ দোজদি কাপত্রিবা মীওই লিশীং ৬০গী মথক্তা লৈরি হায়রদুনা হীদাক কাপত্রিবা মীওই ২০বু লৈরবদি পাউ পীবিরকউ, দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং থারক্তুনা হীদাক কাপথোকহৌনবা হোৎনজগে, ৱাৎহৌরিবা দোজশিং অসি দিসেম্বর ফাওবদা কাপথোকপা লোইনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এ সুভাসনা হায়খ্রে।

ৱাফমসি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা মায় পাক্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবগী পান্দমদা দি সী থৌবালগী কেম্পসতগী ভেন ৫ (কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস) লমথাবগী থৌরমদা দি সী এ সুভাসনা হায়খিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা হেল্থ সেন্টরশিংদগী খরা লাপ্না লৈবা মফমশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী খুদোংচাদবদু কোক্নবা পান্দমদা চীফ মিনিষ্টরনা থৌবালগীদমক কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস (ভেন) ৫ পীবিরকপনি। গাড়ীশিং অসি ঙসিদগী মফম মঙাদা চৎপা হৌরগনি হায়খি।

ভেন লমথাবগী থৌরমদুদা শরুক য়াখিবী দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর (দি আই ও) সু ওইরিবী দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## নো টু দ্রগস : মমা মপাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই : এস পি মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দ্রগশিং য়োনবা অমসুং শীজিন্নবা থিংনবা হোৎনবদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মমা মপা ওইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই অমসুং অঙাংশিং অদু কনাগা তিন্নরি অমদি মহাক্কী মশাদা করি অহোংবা লাক্লে, পিয়র গ্রুপ ওইরিবশিংনা কনা কনানো হায়বদু খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) গী এস পি কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিস কংলৈপাক (সী সী এস কে) গী লমজিং মখাদা ভি এল এফ বাসিখোং, কোংবা ইরোং, য়ু পি আর ঈ সী কে, য়ু সী এস কে, বি কে আই দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ অমসুং বি পি ৱাই সী বাসিখোংনা শীন্দুনা 'নো টু দ্রগস' হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকখিবা এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ারদুন ফোঙদোকখিবনি।

বি পি ৱাই সী বাসিখোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা মহাক্না হায়, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর অসি কিলোমিটর ৪০০ রোম শাংবনা মরম ওইরদুনা য়াম্না লায়না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াই। চীংগী লমদা পাক শন্না পোপি কলটিভেসন তৌরকপা অসিনসু লৈকায় লৈকায়দা দ্রগকা মরী লৈনবা ইস্যুশিং থোকহল্লকপনি। মীয়াম্নদি মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা দ্রগকী ফীভম অসি নাকল নাম্মদগী ওইবা মীৎয়েংদা হেক হেক হায়বা থেংনৈ হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## হুইয়েন লানপাউগী ডা. খাইদেম অথৌবদা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীরক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না চহী খুদিংগী পীরক্লিবা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, ২০২১ পীননবা পাউমীশিং খনগৎপদা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী রেসিদেন্ট এদিটর ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ য়াওরক্লে।

এৱার্দ অসি 'পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিং' গী ফিল্ড/কেটেগোরিদা পীননবা খল্লকপনি। লোয়ননা এৱার্দ অসিগী মনা থা অসিগী ১৬তা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি আই পি আরগী ন্যু কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা নেসনল প্রেস দেগী থৌরমদা খূৎশিন্নগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই) দা মণিপুরগী পাউমীশিংগী মনুংদগী অহানবা ওইনা মেম্বর খল্লকখিবগা লোয়ননা কাউন্সিল অসিগী দেল্লীদা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারুরবনি। মসিগী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) না স্পোন্সর তৌবা ফেলোসিপসু হন্দক চহীগী ওইনা পীরকখ্রবনি।

## কে এস এগী থৌমী ১০০না ঈ পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : খুন্নাইদা কখোক্লবা ঈ হায়বগী পান্দমদা ঙসি কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএসন (কে এস এ) না রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কশিংদা এসোসিএসন অসিগী থৌমীশিংনা ঈ পীখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা কে এস এগী সেক্রেটরি জেনরেল জোন্সন থিয়ামনা হায়, খুন্নাইদা কৎথোক্লবা ঈ হায়বগী পান্দমদা ঙসি কে এস এগী থৌমী ৫০/৫০না রিমস অমসুং জেনিমসতা ঈ পীবনি। মসিগী মরমদি লায়েংশঙশিং অসিদা লায়েংবা লাক্লিবা অমদি লায়েংলিবা অনাবশিংগীদমক্তা ঈ ৱাৎলকপদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবগী পান্দমদনি হায়খি।

থৌরম অসি কে এস এগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগসু মরী লৈননা পাঙথোকপনি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ : অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ (নবেম্বর ১২, ২০২১) লমদমসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিং অমদি চীংমী-তম্মী মীয়াম হুপ্না খূৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা ইচম চম্বা থৌরম খরগা লোয়ননা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী পব্লিসিটি ওফিসর (দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) মঙাল খুমনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মপূং ওইবা থৌরমদি নুমিদাংদা কংলৈপাক্কী য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপা অমদি ইমা লৈবাক ইরমদমগী মাঙখিবা নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিন্নবগীদমক থৌনা লৈনা নীংতম লান্থেংদা থৱায় কৎখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মোংফমদা মৈরা অমদি লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনা ওইখি হায়রি।

থৌরম অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## সোরোকখাইবম ভুবোনদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : সোরোকখাইবম ললিট মেমোরিএল ট্রষ্ট অমসুং মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) না পূন্না শীন্দুনা ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী হোলদা সোরোকখাইবম ভুবোনগী ১০০ শুরকপা মপোক কুমওনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না মণিপুরগী দ্রামাদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা সোরোকখাইবম ললিটকী মচা ইবুংঙো ভুবোনগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মহাক্না ইরম্বা দ্রামা 'লোন্নবী মচা' সু ফোঙদোকখি।

থৌরমসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মীনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন্স জজনা লুচিংদুনা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী পান ইন্দিয়া এৱেয়ার্নেস অমসুং আউটরিচ কেম্পেনগী মখাদা ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) গী চেয়রমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা লুচিংদুনা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ৱাই সোমোরজিৎ, মীদিয়া কোওর্দিনেটর সলাম দেবানন্দ (দেবান), রিমান্দ লোয়র পি তোলেন, এদভোকেট মোইরাংথেম চুম্বা অমসুং দি এল এস এ অসিগী পি এল ভিশিং অমদি লিগেল এইদ ক্লিনিকশিংগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

ক্লাস ৱান অমসুং টুগী ওইনা কেটেগোরি এ, ক্লাস থ্রী, ফোর অমসুং ফাইভকী ওইনা কেটেগোরি বি অমদি ক্লাস সিক্স, সভেন অমসুং আইটকী ওইনা কেটেগোরি-সী হায়দুনা অহুম থোক্না খাইদোক্লগা কম্পিটিসন অসি ফেমিলি, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইলেক্সন হায়বা টোপিক অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী মহৈরোয় ৫০ রোমনা শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অসি করিগুম্বা কোভিদকী মীপাইবা লৈরমদ্রগদি মহৈরোয়শিং হেন্না শরুক য়ারম্বসু য়াবনি হায়রি।

কম্পিটিসন অসিদা চাংদম্নবা য়াওদ্রবসু কিন্দর গার্দেনগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি। চাংদম্নবা অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা মখোয়গী ষ্টদি মেটেরিএলশিং অমসুং সর্টিফিকেটশিং পীখি। মকোক মথং তারবশিংদি কেটেগোরি এগী ফর্ষ্ট পোজিসনদা টার্গেট ইংলিস স্কুলগী এন থোইথোই, ক্লাস ৱান অপোকপা নোংমাইথেম থোইবা, অনীশুবা পোজিসনদা ইন্টিগ্রেটেদ মণিপুর একাদেমিগী সুসমিতা সরাংথেম (ক্লাস ৱান) অপোকপা মুকেস সরাংথেম, বমদিয়ার, অহুমশুবা পোজিসনদা টার্গেট ইংলিস স্কুলগী শমজেৎশাবম রিমসন (ক্লাস ৱান), কেটেগোরি বিগী অহানবা পোজিসনদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া স্কুল নম্বর ২গী মিনরভা থোইদিংজম (ক্লাস ফাইভ-এ) অপোকপা শ্যামসন থোইদিংজম, খাগেম্পল্লি পন্থক, অনীশুবা পোজিসনদা পরামাউন্ট পরাদাইজ একাদেমিগী শাগরসন খাঙেম্বম (ক্লাস ফাইভ- সঙাই) অপোকপা ঙৌবা, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়, অহুমশুবা পোজিসনদসু একাদেমি অসিগী ঐচ থোইহেন মঙাং (ক্লাস থ্রী) অপোকপা ঐচ রোজিৎ অমদি কেটেগোরিসিগী অহানবা পোজিসনদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়াগী লনচেনবী থৌদাম (ক্লাস সিক্স-বি) টি ঐচ সরতচন্দ্র, ...মখা লামায় ৩ কলম ৬



HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.